**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29.05.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৯-০৫-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভনুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী মীয়ামা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। য়ুম য়াওনা লন থুম কয়া অমাং অতা থোকপদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

২) মনিপুর ফাইয়র সার্ভিসনা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মীওই ৭০০ লোম শাফগদবা মফমশিংদা থমখ্রে।

৩) ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মিনিত ৪০ চৎপা মতমদা রিক্তর স্কেলদা ৫.৪ কনবা য়ুহার হাখ্রে।

৪)লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী লায়রবা মীওই কোতি মরিগী পকাগী য়ুম শাখ্রে। য়ুম কোতি ১২ হেনবদা থকনবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমখ্রে অমদি য়ুমথোং খুদিংমক্তা মৈ ফংহনখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**ফ্লদ(এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী মীয়ামা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। চীংগী জিলাশিংদা চীং নিংখায়বনা মরম ওইদুনা চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাহন্দ্রে অমদি রাজ্য অসিদা তুরেলশিংগী ইমায় খুদোংথিংঙাই থাক্কী মথক্তা চেল্লি।

রাজ্য অসিদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিং - ইম্ফাল তুরেল, নম্বুল তুরেল, ইরিল তুরেল, বরাক তুরেলনচিংবা য়াওনা অতৈ তুরেলগী ঈমায় খংৱাং ৱাংখৎলকপদগী তুরেলশিং অসিগী মফম খরদা তোর্বান পানা ঈশিং চেনশিল্লকপনা লৈরক খুল্লক কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। রাজ্য অসিগী মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, সেনাপতিনচিংবা মনিপুরগী মফম অয়াম্বা ঈশিংগী ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। সরকার অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা তুরেল তোর্বান থোমগৎত্না লৈরক খুল্লক্তা ঈশিং চংশিল্লক্তনবা হোৎনখি। মসিগা লোয়ননা ঈশিং থুমজিনলবা মফমশিংদগী মী অমদি পোৎচৈ কয়া হোন্দোকখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাদসু ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মীয়ামা মায়োকরি । হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীগী পাউদম অমা --

**--সাউন্দ মণিপুরসনা --**

**নোনে(এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমায় বজারগী স্প্রিং ভেল্লিদা লৈবা লন্নাইগী কোচিং সেন্তর অমা ঙসি ঈজৈ তুরেলনা চেন্থখ্রে । জিলা অসিগী মফম কয়াদা চীং নিংখায়বা অমসুং ইলেক্ত্রিক পোস্ত কয়া ঈশিংনা চেন্থখ্রে । ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়-কাংপোকপী জিলাগী শরুক ওইরিবা কে.সেনাম খুল অমসুং টি.লাইজন খুলদা চীং নিংখায়বদগী নেসনেল হায়ৱে-৩৭ তা চেনবা গাড়িশিং তুপুল- বিষ্ণুপুর-ইম্ফাল লম্বীদা ওইনা চৎহনখি। অদুমওইনমক, কে.সেনাম খুলগী ওইনদি লম্বী অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন অমসুং ভারত লান্মীগী মীওইশিংনা এক্সকাভেতর শিজিন্নদুনা লম্বী শেম্বদগী হৌজিক লম্বী অসিদা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন য়ারে।

অমরেমদা , ইম্ফাল জিরি লম্বীদা লৈবা য়ামা মরুওইবা থোং, ইরং ভেল্লি ব্রিজ ঙরাং ঈশিংনা চেন্থখ্রবা মতুংদা লম্বী অসিদা চৎলম্বা গাড়ি মচাশিংগীদমক তাওবম ইরং থোংদা চৎথোক চৎশিন তৌরি। ওইরিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা মীয়ামনা চেকশিন্না লৈন্নবা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা খঙহল্লি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা কাংপোকপী জিলাদসু মীয়ামা মৈ ফংদবা, মোবাইল নেটৱার্ক্কী নুংঙাইতবা অমসুং জিলা অসিগী মরু ওইবা থোংশিং ঈশিংনা চেন্থখিবা অমদি অকায় অতোই থোকখিবগী পাউ লৈরি ।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী ভগুনৈ সিংসিটনা হায়- ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাবা কৈথেলমানবি মিলিটরি কোলোনি অমসুং সাইকুল অনি ফাওনবা য়াবা থোং তৎপদগী মায়ামা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রে। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী মফম খরদসু লম্বী নিংখায়বনা মরম ওইরগা চৎথোক চৎশিন্দা অকায়বা থোক্লি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসননা ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। অৱাবা তারবা মীয়াম চংজফম পীন্নবগীদমক রিলিফ কেম্প অহুম হাংদোকখ্রে। রিলিফ কেম্পশিং অদুদি- সেনাপতিদা লৈবা মিনি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফিসকী মনাক্তা লৈবা এ.দি.সিগী অনৌবা বিল্ডিং অমসুং ভিউ লেন্দা থিংবা খুনৌ পেয়র সেন্তরনি। অৱাবা তারবা হমুংশিং অদুদা চেং, অচাথাও, হবাই চেংৱাই অমদি থকবা ঈশিং য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসনা মফমশিং অদুদা চীংনিংখায়বা অমদি ঈশিং থুমজিনবা মফমশিং য়েংশিনবগী থবক মখা চথুরি।

তমেংলোং জিলাদা ঈচাউনা মরম ওইদুনা মৈ ফংদবা অমসুং মোবাইল নেটৱাক ফংদবনা অৱাবা কয়া মায়োকরে। জিলা অসিগী হেদক্কাতরদগী কিলোমিতর ৩ লাপা লৈবা থিউলোনদা লৈবা ইন্তরনেট সার্ভর ওফিস চীং নিংখায়বদা য়াওখ্রে হায়রি ।

**গর্ভ্নর(এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা নোংলৈ নুংশিৎ রেমলনা মরম ওইরগা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা য়ুম য়াওনা লন থুম কয়া অমাং অতা থোকপদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। ওইরিবা ফীভম অসিনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

চীং অমসুং তম্পাক্কী অনেবন্বা মফমশিং ঈশিংনা থুমজিল্লে। মসিগা লোয়ননা তঙাই ফদনা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা নেসনেল হায়ৱে -৩৭ অমসুং ২ দা চীং নিংখায়বদগী মীয়ামা অৱাবা কয়া মায়োকরি।

ফীভম অসিগী য়েংলগা মীয়ামা মীপায়বিদনবা রাজ্যপালনা আপিল তৌরি। ওইরিবা ফীভম অসিদা হেন্না খুদোংথিহন্দনবগীদমক অমদি অৱাবা তারবা মীয়ামদা পীবা য়াবা মতেং পীন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি। ওফিসিয়েল ওইবা চেন্নেলশিংদগী মতম মতমগী ওইবা ঈ-পাউ লৌবা অমদি লোকেল ওথোরিতিনা পীবা গাইদ লাইনশিং ইনবিনবসু রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা মীয়ামদা আপিলসু তৌরি।

**নোং(এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা থাদোরকপা ঙসিগী পুং ৬ তাবা ফাওবা নোং তাখিবগী চাং -বিষ্ণুপুর জিলাদা মিলিমিতর ৩২.২, চুরাচান্দপুরদা ১০.৮,ইম্ফাল ইষ্টতা ১৮.৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৭.৪, ককচিংদা ৬, নোনেদা ২৯, উখ্রুলদা ১০.৬ ওইখি। তমেংলোং জিলাদা ৫৬.৬ মিলিমিতর নোং চুদুনা রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী নোং তাখিবা জিলা ওইখি।

**হেল্ফ লাইন(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ঈশিং ঈচাউনা অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা বিভাগকী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসরশিংদগী মতেং -লৌন্নবা হেল্ফলাইন নম্বরশিং লাউথোকখ্রে । হায়রিবা বিভাগশিং অসিগী মনুংদা - মৈ, হকশেল, ভেতিরিনরি, পি.দব্লিউ.দি অমসুং ফাইয়র সার্ভিসনচিংবশিং য়াওরি। ঈশিং ঈচাউ অসিগা মরী লৈননা খুদক্কী ওইবা মতেংগীদমক মীয়ামা জিলা অসিগী পুলিস কন্ট্রোল রুমগী ফোন নম্বর-৯৩৭৮-১২১-৭৫২ দা ফোন তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

**ৱাটর (এল)ঃ** নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তুরেলগী ইমায় ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীনবগীদমক রাজ্যগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংদা খঙহনখ্রে।

কনাগুম্বশিংনা লৌনম্বাল কায়বা য়াবা অমদি পাথোরকপা য়াবগী ওইথোকপা থেংনরবদি ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, সেনাপতি অমদি কাংপোকপী জিলাশিংগী ওইনা টেলিফোন নম্বর-877-0195-306, ইম্ফাল ৱেষ্ট, নোনে, তমেংলোং, তেংনৌপল অমদি উখ্রুল জিলাশিংগী ওইনা টেলিফোন নম্বর-9856-208-829, থৌবাল, ককচিং অমদি চান্দেলগী ওইনা 8798-471-505, বিষ্ণুপুর অমদি চুরাচান্দপুরগী ওইনা 700-5520-274 দা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুরদা লেপ্তুনা চুরক্লিবা নোংনা মরম ওইদুনা মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা এদভাইজরিশিং থোকখ্রে। এদভাইজরিশিং অদুগী মতুং ইন্না মীয়ামনা চান্ন থকবা পোৎলমশিং মনাক নকপা দুকানশিংদগী লৈশিনদুনা থম্বা, খুদক্কী ওইবা অশোক-অপন থোক্লকপদা তেংবাং পীনবা মেদিকেল কিদশিং লৈশিনদুনা থম্বা লোয়ননা মীয়ামনা ফিভম অসি ফৎত্রিবা ফাওবা লৌবুক লমহাংদা থবক শুদনবা, পীক্লিবা অঙাংশিং অমদি অহল-লম্মনশিং য়ুমদগী মপান থোকহন্দনা থমবা হায়রি।

--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--

**রেসক্যু(এও)ঃ** মনিপুর ফাইয়র সার্ভিসনা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মীওই ৭০০ লোম শাফগদবা মফমশিংদা থমখ্রে। ফাইয়র সার্ভিসকী কন্ত্রোল রুমনা থদোরকপা চেরোল অমনা হায়- সাইক্লোন রেমলনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈপতনা নোং চুরকপনা য়ুম ইঙ্খোলশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা মতুং মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হৈঙাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা অৱাবা তারবা মফমশিং মরুওইনা -কৈকোল, নিলাকুথি, কোইরেঙ্গৈ ময়াই লৈকায়, মাইবা খুল অমসুং লাইরিক য়েংবম লৈকায়দগী নুপী অঙাং অমসুং অহলশিং ওইরবশিং শফগদবা মফমশিংদা থাংদোকপা ঙমখ্রে হায়রি।

**য়ুহর(এল)ঃ** ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মিনিত ৪০ চৎপা মতমদা রিক্তর স্কেলদা ৫.৪ কনবা য়ুহার হাখ্রে। য়ুহার অসি মনিপুরগা য়ুমলোন্নবা ম্যান্মারগী সগাইন রিজনগী মাওলেকতগী কিলোমিতর ২৮ রোম লাপ্পা মফমদা ইপিসেন্তর ওইখি। মনিপুরদসু য়ুহার অসি চৈথেং ফংদুনা ঙাইহাক নিকখি। মসিনা রাজ্য অসিদা অমাং অতা অমদি অশি অনা থোকহনবগী পাউদি লৈতে।

**কম্মান্দো(এল)ঃ** থৌবাল কম্মান্দো য়ুনিটকী টিমনা জিলা অসিগী য়াইরিপোক এরিয়াদা আইননা য়াদবা মওংদা শেল খায়বদা চেন্নবা কে.সি.পি অপুনবা (সিটি মীতৈ)গী কাদর অনি ফারে । অককবা পাউ অমা ফংবদগী কম্মান্দো কাংবু অসিনা থৌবাল ৱাংখেম এরিয়াদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অনি অদু ফাখিবনি। মখোয়না তোংলকপা স্ক্রোপিও অমা, মোবাইল হেন্দ সেট অনি, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিস্তোল অনি,কাপ্পা য়ারিবা

নাইন.এম.এম মরু ১৫ মখোয় অনিদগী ফাগৎপা ঙমখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা য়াইরিপোক পুসিল ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

**জিল্খ(এল) ঃ** থা অসিগী ৩ দা লেন য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা য়ুম কয়া অমা অতা থোকহনখিবা এস.দি.সি থৌবালগী সরকলগী মনুংদা লৈবা ইমুং মনুংশিংদা খুদক্কী ওইবা জিঙ্খশিং য়েন্থোকখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মীস্র অহন্থেম সুবাসকী মীৎয়েং মখাদা এস.দি.সি থৌবালনা শীন্দুনা থৌবালগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা জিঙ্খশিং অদু মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

**কাং(এল) ঃ**ৱবাগাই অৱাং লৈকায় কাংশঙদা চথুরিবা ২৪ শুবা অরান্বম সমরেন্দ্র নিংশিং কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ ওপন টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নম্বোল কেন্দ্রনা ভগবতি ৱবাগাই কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২৫-৬ তা থোইখ্রে। ফাইনেল মেটচ মথং থাগী ১০ দা শান্নগনি।

**ফুটবোল (এল) ঃ** দি.এস.এ বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা চথুরিবা চহি ১৭ মখাগী নুপাগী ১৭ শুবা এল. বালানন্দা সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী মখা তানা শান্নগদবা মেটচশিং হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফীভম অসি য়েংলগা মতম কত্তনা য়ৈথোক্লে হায়না দি.এস.এ বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা খঙহনল্লি।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**সভা ঃ** লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোন্দগী থবক খম থেংনা কল্লে।

তাঙ্কক অসিগী মীখল মথং থাগী ১ দা রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়িন তেরিতোরিগী লোক সভা কেন্দ্র ৫৭ তা পাঙথোক্কনি। মসিদা পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লম্বা তৌরি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি - আমেরিকা, য়ুরোপ অমসুং জপান য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ভারতপু ইকায় খুমরি। নোংচুপ বঙ্গলাগী মথুরাপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী লায়রবা মীওই কোতি মরিদা পকাগী য়ুম শাবিখ্রে। য়ুম কোতি ১২ হেনবদা থকনবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমখ্রে অমদি য়ুমথোং খুদিংমক্তা মৈ ফংহনখ্রে।

**কিল ঃ** উত্তর প্রদেশকী কায়জরগঞ্জ লোক সভাগী বি.জে.পিগী মীরেপ ওইখিবা করন ভুসন সিংহগী কোনভোইনা তকপদা মীওই অনি শীরে। থৌদোক অসি ঙসি গোন্দা জিলাদা লৈবা বাইকুন দিগ্রি কলেজকী মমাংদা থোকখিবনি। করনেল গঞ্জকী পুলিসনা হায়-লৈখিদ্রবা মীওই অনি অদু মোতোর সাইকেলদা তোংমিন্নদুনা লাকখিবনি । মখোয় অনি থৌদোক থোকফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি।

নিংশিংবা য়াই - করন ভুসন অসি, মমাংগী লোক সভা মীখলদা কেন্দ্র অসিদগী কাদুনা এম.পি ওইরিবা অমদি ইন্দিয়ন রেস্তলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চিফ ওইরম্বা ব্রিজভুসনগী মচানুপানি।

**মাওইস্তঃ** ছাতিসঘরগী বিজাপুর জিলাদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎথোকবদা মাওইস্তকী নুপী অমা য়াওনা মীওই অনি লৈখিদ্রে। থৌদোক অসি মেদেদ লমদমগী বদেপারা উমংদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবী মাওইস্ত নুপী অসিদা সরকারনা ফাবা ঙম্বদা লুপা লাখ ৮ পীগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। থৌদোক থোকফম অদুমক্তদগী পুলিসনা খ্ৎলায় অনি অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

**দিআরদিওঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ত ওর্গনাইজেসন ( দি.আর.দি.ও)না লৈবাক অসিদা শাজবা নোংথক্তগী লমায়দা কাপ্পা য়াবা রুদ্রা এম-টু মিসাইল মায়পাকা চায়েং তৌখ্রে । ঙসি উরিষাগী সমুদ্র খোংবানদা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা সুকোই-থার্তি এম.কে-ৱান ফাইতর জেট অসিদগী মীসাইল অদু কাপ্পুনা চায়েং তৌখিবনি।

কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ওনা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অসিবু শিংথারদুনা হায়- রুদ্র এম-টুগী মীসাইল অসিনা ভারত লান্মীবু হেননা মপাঙ্গল কলহনবা ঙম্লগনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী মীয়ামা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। য়ুম য়াওনা লন থুম কয়া অমাং অতা থোকপদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

২) মনিপুর ফাইয়র সার্ভিসনা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মীওই ৭০০ লোম শাফগদবা মফমশিংদা থমখ্রে।

৩) ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মিনিত ৪০ চৎপা মতমদা রিক্তর স্কেলদা ৫.৪ কনবা য়ুহার হাখ্রে ।

৪)লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনগদবা নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী লায়রবা মীওই কোতি মরিগী পকাগী য়ুম শাখ্রে। য়ুম কোতি ১২ হেনবদা থকনবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমখ্রে অমদি য়ুমথোং খুদিংমক্তা মৈ ফংহনখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**